# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 15-11-2024)

--অহানবদা মরুওইবা পাড--

১) লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকপগুম মণিপুরদসু ঙসি মরি শুবা জনজাতিয়া গৌরভ দিৱস পাক শন্না পাঙথোকখি।

২) মহুদ মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- লমদম অসিদা গন কলচরনা কৈদৌনুংদসু শান্তি অমদি ৱারোইশিন পুরকপা ঙমলোই।

৩) থা অসিগী ১১ দা খুৎলায় পায়বা মীওইশিংনা ফাজিনখিবা মীচম অঙাং অহুম অমদি নুপী অহুম অদু তেক্ত কায়দনা থাদোরকবা মাইকৈ কয়াদগী লেপ্তুনা তকশিল্লক্লি।

৪) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- এন.দি.এ সরকারগী খ্বাইদগী মরুওইবা পান্দমদি- শিক্ষা অমসুং ত্রাইবেল জাতিশিংগী অনা লায়েং অমসুং থবক পীবা হায়বসিনি।

অমসুং

৫) মহারাষ্ট্র অমসুং ঝারখন্দগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী বিধান সভা মীখলগী ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

------

গৌরভ দিৱস ঃ লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকপগুম মণিপুরদসু ঙসি মরি শুবা জনজাতিয়া গৌরভ দিৱস পাক শন্না পাঙথোকখি।

সেনাপতি জিলাদা মরি শুবা জনজাতিয়া গৌরভ দিৱস থৌরম সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাতর্সগী মল্টি পর্পজ হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা পাৱর মন্ত্রি থোঙাম বিস্বজিৎ শরুক য়াখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কাংপোকপীনা শিন্দুনা মরি শুবা জনজাতিয়া গৌরভ দিৱস থৌরম ঙসি সপরমৈনাগী ঈ.এম.আর.এসতা পাঙথোকখি। থৌরম অদু কাংপোকপীগী দিপ্যুতি কম্মিস্নর মহেস চৌধুরিনা হৌদোকখি।

নোনে জিলাদসু থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নোনেনা শিন্দুনা লোংমাইগী মল্টি পর্পজ হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা নোনেগী দিপ্যুতি কম্মিস্নর ডা.সরটচন্দ্র অরোজ্ শরুক য়াখি।

নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম কামজোং জিলাদসু পাঙথোকখি।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং জিলাদা ধরতি অবা জয়েন্তিয়া গ্রাম উৎকারস অভিয়ান ঙসি হৌদোকখ্রে। থৌরম অদু জিলা অসিগী এস.দি.ও ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা এ.দি.সি তমেংলোংগী চীফ একজিক্যুতিভ ওফিসার কচমথাই এফ গাংমৈ অমদি এদ্দিসনেল এস.পি. জোসিহা টি. পানমৈ য়াওনা জিলা থাক্কী ওফিসিয়েলশিং, সি.এস.ওশিং, ভিলেজ ওথোরিতিশিং অমদি মহৈরোই লুপ কয়াগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

লৈময়োল (এল)ঃ চহি নৌরিবী নুপীমচা অহুম য়াওনা পুন্না নুপী ৬ জিরিবাম জিলাদগী খুৎলায় পায়বশিংনা ফাজিনখিবা অদু অশোই অঙাম য়াওদনা থাদোরকবা মহুদ মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা আপীল তৌরি।

ইম্ফালগী শিংজমৈ চীংঙামখাদা লৈবা লৈমায়োল আর্ট সেন্তরগী ৫৪ রক শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী খেমচান্দনা হায়- জিরিবাম জিলাদা থোকখিবা থৌদোক অমদা অঙাং য়াওনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ৬ ফাজিনখিবগী থৌওং অদু য়ামা নুংঙাইতবা লাইবক থিবা থৌদোকি। লমদম অসিদা গন কলচরনা শান্তি অমদি ৱারোইশিন পুরকপা ঙমলোই।

থাং-তা (এল)ঃ   কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সিয়েল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইতি অমসুং থাং-তা ডে ওবজার্ভেসন কমিতিনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থাং-তা ফোর এ য়ুনিফাইদ মণিপুর হায়বা থৌরমদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার পাউনম গুনিন্দ্রো সিংহ, ইদুকেসন (এস)কী দাইরেক্তর লাইশ্রম নন্দকুমার সিংহ, য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টসকী দাইরেক্তর পি. ফুলেন মীতৈ, সনা কোনুং উত্রা শঙলেনগী অঙোম নিংথৌ- অঙোম পোইরৈতোন, থাং-তা ডে ওবজার্ভেসন কমিতিগী চেয়ারমেন ইরোম ইবোমচা অমসুং কিমাক্সকী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম অজিৎকুমার শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ইদুকেসন (এস)কী দাইরেক্তর এল. নন্দকুমারনা হায়- মালেমদা নুমিৎ তাদে হায়নরম্বা বৃটিশনা অতৈ লৈবাকশিং লৌশিল্লবা মতুং নিংথৌ পানবা মণিপুর লৌশিন্নবা হোৎনবদা নিংহন্নবা অমা পোকহনখিবা অসিগী মরমদি থাং-তাননি। মহাকা হায়- বৃটিশনা ইং কুমজা ১৮৯১ দা মণিপুর লৌশিল্লবা মতুংদা লমদম অসিদা থাং-তা শান্নবা থিংজিনখিবনি।

ডে (এল)ঃ   ইন্তরনেসনেল গার্ল চাইল্ড ডে ২০২৪ গী থৌরম ঙসি ফেমিলি ৱেলফ্যার সার্ভিসেস দাইরেক্তোরেটকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। ষ্টেট হেলথ সোসাইতি, নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুর অমসুং ফেমিলি ৱেলফ্যার সার্ভিসেসকী প্রিকন্সেপসন এন্দ প্রিনাটাল দাইগোষ্টিক টেকিকনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা হেলথ সার্ভিসেস দিরেক্তর ডাঃ চন্বো গোনমৈ, ফেমিলি ৱেলফ্যার সার্ভিসেসকী এদ্দিসনেল দিরেক্তর ডাঃ সোমোরজিৎ নিংঙোম্বম অমসুং হেলথ সার্ভিসেসকী এদ্দিসনেল দিরেক্তর (প্লান্নিং এন্দ ফাইনান্স) ডাঃ এন. হেমন্তকুমার সিংহ শরুক য়াখি।

জিরি (এল)ঃ   থা অসিগী ১১ দা খুৎলায় পায়বা মীওইশিংনা ফাজিনখিবা মীচম অঙাং অহুম অমদি নুপী অহুম অদু তেক্ত কায়দনা থাদোরকবা মাইকৈ কয়াদগী লেপ্তুনা তকশিল্লক্লি। হিরম অসিগা মরী লৈননা হৌজিক ঙমখৈ জিলা

জিরিবামদা মীয়ামগী ওইবা  অচৌবা মৈরাগী রেল্লি অমা চৎলি। রেল্লি অদুদা ফাজিনখিবা মীচম ৬ থাদোক্কদবনি, খুল ঙাকপা ফাবা য়ারোই, জিরিবামদা অফস্পা থন্বা য়ানিংদে, অচুম্বা ৱায়েল পীয়ু হায়বনচিংবা ৱারোলশিং থাবা বেন্নর শিজিন্নখি।

অমরোমদা, ফাজিনখিবা মীচম অঙাং অহুম অমদি নুপী অহুম অদু তেক্ত কায়দনা থাদোরকবা অমদি রাজ্য অসিদগী হান্না আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱারস এক্ট (অফস্পা) লৌথোক্লুরবা পুলিস ষ্টেসন ৬ না কোনবা এরিয়াদা অমুক হন্না অফস্পা থমজিল্লকপদা তোঙান তোঙানবা লুপা কয়ানা য়ানিংদবা ফোংদোকরক্লি।

ইম্ফালদা ইমা লুপ ৭ না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা নুপী সমাজগী প্রসিদেন্ট টি.ঐচ. রমনিনা হায়- রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমদা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা অমুক হন্না অফস্পা থমজিল্লকপা অসি য়ানিংদে। মসিনা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদগী হেন্না খুদোংথিবা মীশি-মীনা কয়া থোরকপা য়াই। অফস্পা থম্বনা হৌজিক লৈরিবা ইরাং অসি লোইশিনবা ঙমলোই। মরম অসিনা সরকারনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি খঙনা নৌনা পুলিস ষ্টেসন ৬ না কোনবা মফমশিংদা থমজিল্লক্লিবা অফস্পা অসি লৌথোকপায়ু। জিরিবাম জিলাদগী অঙাং নুপীমচা ৩ য়াওনা নুপী ৬ ফাজিখিবা অদু অশোই অঙাম য়াওদনা থাদোকহন্নবগীদমক সরকারগী পুকিং চিংশিনখি।

রাজ্য অসিগী পুলিস ষ্টেসন ৬ না কোনবা মফমশিংদা অফস্পা অমুক হন্না থমজিল্লক্লিবা অসিবু কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারনা অথুবা মতমদা হন্দোকবা শিব সেনা মণিপুর প্রদেশনা পুকিং চিংশিল্লক্লি। চেরোল অমদা দল অসিনা হায়- জিরিবামদগী অঙাং অহুম য়াওনা মীওই ৬ ফাজিনখিবা অদু অথুবা মতমদা তেক্ত-কায়দনা থাদোরক্কদবনি।

কোরিয়া মণিপুরী এসোসিয়েসন্নসু ফজিনখিবা মীওই ৬ অদু থাদোরকবা আপীল তৌরক্লি।

কোকোমিনসু মীওই ৬ অদু থাদোরকবা সরকারনা থবক লৌখৎলু হায়না তকশিল্লক্লি। অমরোমদা, রাজ্য অসিদা পুলিস ষ্টেসন ৬ না কোনবা মফমশিংদা অমুক হন্না অফস্পা থমজিল্লকপা অসিনা মীয়ামদা চমমবা ফাওহল্লে হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুরগী চিংগী মফমশিংদগী অফস্পা লৌথোকউ হায়বনচিংবা দাবীদা ঙসি উখ্রুল জিলাদা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। খোঙচৎ অদু তাঙ্খুল সনাওলোক অমদি তাঙ্খুল কতমাও সক্লোংনা শিন্দুনা চৎখিবনি।

স্কুল (এল)ঃ ষ্টেট লেবেল ইন্তর স্কুল বেন্দ কম্পিপতিসন ঙসি ইম্ফালগী তাকয়েলদা লৈবা মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। সমগ্রহ শিক্ষা মণিপুরনা শিনবা থৌরম অদুদা মহৈরোই ১০০ হেনবনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ইজ্‌কেসন (এস)কী দাইরেক্তর এল. নন্দকুমার সিংহ শরুক য়াখি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী নৌনা শাবা ভাইরেল লেবোরেটরি ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনা অহন্থোম শুবাসনা শঙ্গাখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী শুবাসনা হায়- ঙসি শঙ্গারিবা লেবোরেটরি অসিনা মখল মখা কয়াগী টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। খুদোংচাবা অসি মীয়ামা লৌবীনবসু শ্রী শুবাসনা আপীল তৌরক্লি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী হকশেলগী মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনা শরুক য়াখি।

সিসিপুর (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী জাকুরাধোরদা মার ভিলেজ ভোলুন্তিয়ার ১০ সি.আর.পি.এফনা হাৎখিবা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা চুরাচান্দপুর জিলাগী কোইতেদগী পিছ গ্রাউন্দ তুইবোং ফাওবা রেল্লি চৎখ্রে। রেল্লি অদু কুকি ৱিমেন ওর্গনাইজেসন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

সেমিনার (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী জেদ.ই.ও ওফিসতা জোনেল ইজ্‌কেসন ওফিস কাংপোকপীনা শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ষ্টুদেন্টস সাইন্স সেমিনার অমা ঙসি

পাঙথোকখ্রে। আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্সঃ পোটেন্সিয়েলস এন্দ কন্সর্ন্স হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা সেমিনার অদুদা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদগী লাকপা মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা আর্তিফিয়েল ইন্তেলিজেন্স হায়বা হিরমদা মহৈরোইশিংগী ওইবা ক্বিজ কম্পিতিসন অমসু পাঙথোকখি।

মৈ (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং লমদিং কৈথেলদা লৈবা য়ুম অমা ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবনা মৈনা চাকখ্রে। মৈ চাকপা অদুদা য়ুম অদুদা লৈরম্বা মাল চাং কয়া অমাং অতা থোকখ্রে।

তরাও (এল)ঃ নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন চান্দেলগী অনিসুবা লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী সেসন ঙসি তরাও লাইমনাই ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসি তরাও ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না য়ুন্থু ওইদুনা পাঙথোকপনি।

বুক (এল)ঃ ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি ইম্ফালগী ওদিতোরিয়মদা নেসনেল লাইব্রেরি ৱিক ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি রাজ্য সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগ অমসুং মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিয়েসন (মালা)গা খুৎশমরগা পাঙথোকপনি।

অমরোমদা, ৩১ শুবা ইম্ফাল বুক ফিয়ার ২০২৪ মথং থাগী ১৫ দগী ২৪ ফাওবা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি ইম্ফাল অমসুং মণিপুর ষ্টেট আরকাইবতা পাঙথোক্কনি।

য়ুনিভর্সিতি (এল)ঃ কংলৈপাক নর্সিং কলেজগী ১৪ শুবা লেম্প লাইটিং সেরেমোনি ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই কোনশম লৈকাই পাউনম লৈরক্তা লৈবা ইন্সটিট্যুট অসিদা পাঙথোকখ্রে। খোঙনাংথাবা য়ুনিভর্সিতিগী মখাদা লৈবা নর্সিং কলেজগী লেম্প লাইটিংগী থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. জোয়কুমার, য়ুনিভর্সিতি অসিগী দাইরেক্তর ওফ নর্সিং শ্রীমতি

কে.ঐচ. রতা দেবী অমসুং বিরেন হোস্পিতাল চীংঙারেলগী মেদিকেল সুপরিন্তেন্দেন্ট ডাঃ কে. গুনাবন্তা শরুক য়াখি।

ঈশৈ (এল)ঃ আর্টিষ্ট ত্রেনিং কম ইজ্‌কেসনেল রিছার্স ইম্ফালনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ১০ শুবা লৈবাক নিংবা ঈশৈ চাংদমবদা থোকচোম লনখোন্বীনা অহানবা মনা ফংলে। চাংদমবা অদুদা শকাইরবা শৈরেংবা ১৯ না ইবা লৈবাক নীংবা ঈশৈ চাংদমবা অদুদা শৈশকপা ৩৪ না শরুক য়াখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- এন.দি.এ সরকারগী খ্বাইদগী মরুওইবা পান্দমদি- শিক্ষা অমসুং ত্রাইবেল জাতিশিংগী অনা লায়েং অমসুং থবক পীবা হায়বসিনি। মহাকা হায়- তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎতুনা ত্রাইবেল জাতিশিংবু মহৌশাগী পুন্সিদা সরকারনা পুশিল্লক্লি।

বিহারগী জম্মুই জিলাদা লুপা কোতি লিশিং ৬,৬০০ রোমগী চাউখৎ থৌরাংগী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাবগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মহাক্কী সরকার অসিনা সিকল সেল দিজিজ মুত্থৎনবা হোৎনবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবা একলব্যা স্কুল, ত্রাইবেল রিছার্স সেন্তর অমসুং য়ুনিভর্সিতি ৭০০ হেন্না হাংদোকখ্রে। শ্রী মোদিনা হায়- মহাক্কী সরকারনা ত্রাইবেল জাতিশিংগী হেরিতেজ অমসুং কলা সংস্কৃতি ঙাক্তুনা থমবা অচেৎপা ফিরেপ লৈ। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ত্রাইবেলশিংদা দাইরেক্ত বেনিফিৎকী খুদোংচাবা ফংহন্নবা পি.এম. জনমন অমসুং ধরতি অবা জনজাতিয়া উৎকরস গ্রাম অভিয়ান হৌদোক্লে। মহাক া হায়- জনজাতিয়া উৎকরস গ্রাম অভিয়ানগী মখাদা ত্রাইবেল খুলশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাওখৎহন্নবা লুপা কোতি লিশিং ৮০ থাদরগনি। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা ত্রাইবেলনা নমা খুন্দাবা জিলাশিংদা বিরসা মুন্দা গৌরব উপভন হৌদোক্লগনি হায়না লাউথোকখি। শ্রী মোদি জম্মুই জিলাদা পাঙথোকপা বিরসা মুন্দাগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদসু শরুক য়াখি। নুমিৎ অসিবু জনজাতিয়া গৌরব দিবস হায়না পাঙথোক্লি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা নিংশিং শেল ময়েক অমা, পোষ্টেল ষ্টাম্প অমা পুথোকখি। মদুগা লোয়ননা

পি.এম জনমনগী মখাদা ত্রাইবেল ইমুংশিংগী য়ুম লিশিং ১১ শঙ্গাবগী থৌরম ভারচুয়েল ওইনা শরুক য়াখি।

মীখল ঃ মহারাষ্ট্র অমসুং ঝারখন্দগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী বিধান সভা মীখলগী ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

মহারাষ্ট্রদা বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা, কেন্দ্রগী মন্ত্রি নিতিন গদকারি, বি.জে.পি প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দা, বি.জে.পি লুচিংবা দেবন্দ্র ফদনাবিস তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীখলগী কেম্পেনশিংদা শরুক য়ারি।

এন.সি.পি(এস.পি) লুচিংবা শরদ পৱার, শিব সেনা (য়ু.বি.টি) লুচিংবা উধব থাক্রেসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ভোৎ খোমখি। সিট ২৮৮ লৈবা মহারাষ্ট্র বিধান সভাগী মীখল তাঙ্কক অমখক্তদা থা অসিগী ২০ দা ভোৎ থাদগনি।

অমরোমদা, ঝারখন্দদা এন.দি.এ অমসুং ইন্দিয়া ব্লোকনা ভোৎ খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি। ধনবাদ জিলাদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিন অমদা বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ঝারখন্দগী মুখ্য মন্ত্রি হেমন্ট সোরেনবু হুনদুনা ঙাংখি। গোদাদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিন অমদা শরুক য়ারদুনা কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা হায়- ইন্দিয়া এল্লায়েন্সনা মীখল অসিদা মায় পাক্লবদি মখোয়না শকখিবা ৱাশক খুদিংমক থবক্তা ওন্থোক্কনি।

আর.জে.দি লুচিংবা তেজাসৱি প্রসাদ যাদব, বি.জে.পি লুচিংবা শিবরাজ সিংহ চৌহান, হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মা অমসুং চম্পাই সোরেনসু তোঙান তোঙানবা মীখলগী মীতিনশিংদা শরুক য়াখি। সিট ৩৮ গী অনিসুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ থা অসিগী ২০ দা থাদনগনি।

বিধান সভা কেন্দ্র ১৫ গী মরক্কী মীখলগী ভোৎ খোম্বগী থবকসু খম থেংনা কল্লে। উত্তর প্রদেশকী সিট ৯, পঞ্জাবকী সিট ৪, উত্তরাখন্দ অমসুং কেরলাগী সিট অমমমগা লোয়ননা মহারাষ্ট্র নন্দেদ লোক সভা সিটকী মীখলগী ভোৎ থা অসিগী ২০ থাদনগনি। ভোৎ মশিং থা অসিগী ২৩ থিগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ, খাইদেম গীতচন্দ্রদগী--

সন্তোস(এল)ঃ ৭৮ শুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর সন্তোস ট্রোফি-২০২৪-২৫ দা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-দিগী মেটচ অমদা মণিপুরনা সিক্কিমবু থোইখ্রে।

ত্রিপুরাগী কোনুং অগরতালাদা লৈবা উমাকান্তটা মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা সিক্কিমবু পাঞ্জল ৬-১ দা থোইখিবনি। মণিপুরগী মথংগী মেটচ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মিজোরমগা শান্নগনি।

কাং (এল)ঃ ৱালিদা ৱাবগাই কাংশঙদা চত্থরিবা ৬৬ শুবা সার চুরাচান্দ মেমোরিএল লিখ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা হোর্গকা ক্লাসা-এ কৈনৌগা থেংনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা ক্লাসা (এ) কৈনৌনা এল.এস.কে ৱাংগোইবু পাঞ্জল ১৯-১১ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিনদুনা ১২ সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৪-২৫ অমসুং ৬ শুবা ঐচ. মণি শর্ম্মা মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৪-২৫ মথং থাগী ১৫ দগী পাঙথোক্লগনি।

ফুটবোল (এল)ঃ অহানবা ষ্টেট লেবেল এস.দি.পি.ও চিংথাম আনন্দকুমার মেমোরিয়েল ভেটরান ফুটবোল তুরনামেন্টকী ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিং হয়েংদগী শান্নবা হৌরগনি।

অহানবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ ভি.এফ.সি (বি)গা এম.পি.এস.সিগা সিকো গ্রাউন্দ লৌরেম্বম লৈকাইদা শান্নগনি।

ক্রিকেট (এল)ঃ ৯ শুবা এম.এন.সি.এ প্লেট তুরনামেন্ট মণিপ্‌র ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা হয়েংদগী থৌবাল মোইজিং প্লে গ্রাউন্দদা হৌরগনি। অহৌবা নুমিৎতা ইপসা য়ুমাম লৈকাইগা নপসা খা ইম্ফালগা শান্নগনি।

বোদি বিল্ডিং (এল)ঃ অহানবা মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিম শেমনবা
ওল মণিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিয়েসন্না ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১৭ তা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি। অম্বাদা রেজিষ্টর তৌরবা শান্নরোইশিংনা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা য়াওবা য়াগনি।

------